# ২৩শুবা ষ্টেট লেভেল জুদোদা এম এল এস এনা কেদেট অমসুং সব-জুনিয়রগী টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস):
তাকয়েলগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কমপ্লেক্সতা ঙরাংদগী হৌখিবা ২৩শুবা ষ্টেট লেভেল জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি লোইশিনখিবদা এম এল এস এনা কেদেট বোইজ এন্দ গর্লস অমদি সব-জুনিয়রগী কেটগোরি অনীমক্তা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।




নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকপা কেদেট অমসুং সব-জুনিয়র ষ্টেট লেভেল জুদো চেম্পিয়নশিপ অদুদা কেদেটকী মায়কৈদা বি বি এগী কে বিশালনা বোইজকী বেষ্ট জুদোকা ফংখি। গর্লসকীদনা সাইগী আই কলপনানা ফংখি। অদুগা সব-জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা এম এল এস এগী ৰাই য়োহেনবনা বেষ্ট জুদোকা অদুগা থৌবালগী এল এলিনা নুপীগী বেষ্ট জুদোকা ওইখি।

কেদেট বোইজ এন্দ গর্লসকী কাঙলূপ্তা এম এল এস এগী মায়কৈদগী পূন্না গোল্ড মেদল ৯ ফংখি। অদুগা সিলভরনা ৩ লোয়ননা ব্রোঞ্জনা ৫ ফংলগা পোইন্ট স্কোর সিষ্টমদা গোল্ডগীনা ৫, সিলভরগীনা ৩, ব্রোঞ্জকীনা ২ পীদুনা ক্লব অসিনা পূন্না পোইন্ট ৬৪ ফংলগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। কেদেটকী কাঙলূপ অদুদা রন্নর্স অপ তাখ্রবা স্পোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া তাকয়েলপাৎকী মায়কৈদগী পূন্না গোল্ড ৩, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংলগা অপূনবা মেদল ১০ ফংদুনা অপূনবা পোইন্ট ৩০দা মখোয় রন্নর্স অপ তাখি।

সব-জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা এম এল এস এনা গোল্ড ৯, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ১০/১০ পূন্না মেদল ২৯ ফংলগা পোইন্ট ৯৫ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা থৌবালনা গোল্ড ৪, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ১৩ ফংলগা অপূনবা পোইন্ট ৪০দা রন্নর্স অপ তাখি।

সব-জুনিয়র গর্লসকী গোল্ড ফংখ্রবা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিগী জুদোকাশিং অদুদি- কেজি ২৮দা থৌবালগী এন কাজলনা গোল্ড, কেজি ৩২দা টি বি এলগী এস ভিক্টোরিয়া, কেজি ৩৬কীদা টি বি এলগী এ এলি, কেজি ৪০গীদা এন এস এগী এন মতৌ, কেজি ৪৪দা এম এল এস এগী প্রোজানা, কেজি ৪৮দা বি বি এগী ওলিবিয়া, কেজি ৫২গী কেটগোরিদা বি বি এগী এল মোনালিশ, কেজি ৫৭কীদা এম এল এস এগী এ লিম্থোইঙম্বী অমসুং কেজি ৫৭ মথক্কীদা ক্লব অদুমক্কী দিপাপতিনি।

সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৫দা বি বি এগী লেনিন, কেজি ৫০গীদা এম এল এস এগী য়োহেনবা, কেজি ৫৫দা এন এস এগী থোইবা, কেজি ৬০গীদা এম এল এস এগী পার্জিৎ, কেজি ৬৬কীদা এম এল এস এগী বোবোই, কেজি ৬৬ মথক্কীদা এম এল এস এগী বোবোইসনা, কেজি ৩০গীদা টি বি এলগী জয়ানন্দ, কেজি ৩৫গীদা এম এল এস এগী টি ঐচ রোজিৎ অমসুং কেজি ৪০গীদা এম এল এস এগী প্রভিনদেবনি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈ অমসুং মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদগী খনগৎলবা ফজবা শান্নরোয়শিংনা নেসনল য়াওগদৌরিবনি।

# গভর্ণরস কপ ফেন্সিংদা সাইগী এস হেমাসনা কেদেট সেবরদা গোল্ড ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬তগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরকপা ১৭শুবা গভর্ণরস কপ ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপতা ঙসি কেদেট বোইজ ফোইল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি সাই, টাকয়েলপাৎকী ফেন্সর এস হেমাসনা কেদেট বোইজগী ফোইল ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচতা কে ঐচ এফ এগী ফেন্সর কে ঐচ য়াইফববু পোইন্ট ১৫-১০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, এস হেমাসনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা এস এগী ফেন্সর কে ঐচ রিকিবু পোইন্ট ১৫-৩ পোইন্ট ০৫-০৪দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা দেমিস শোকপদগী মখাতানা শান্নবা ঙমদনা হেমাসনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা ঙসি হেমাসকা ফাইনেল লম্বা তৌনখিবা কে ঐচ এফ এগী ফেন্সর কে ঐচ য়াইফবনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাই দি ওগী ফেন্সর এস বিকিবু পোইন্ট ১৫-৪দা থোইদুনা সেমীফাইনেলদা এস দব্লিউ সিগী ফেন্সর সি ঐচ রোনেলগা লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ১৫-৮দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

কেদেট গর্লস ফোইলদা ইম্ফাল ইষ্টকী আর সেমেরিননা ৱাই দি ওগী ফেন্সর অঞ্জলীবু পোইন্ট ১৫-৬তা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। সোমেরিননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা কে ঐচ এফ এগী গীতাঞ্জলীবু পোইন্ট ১৫-১দা থোইরমখি অদুগা সেমীফাইনেলদনা ৱাই দি ওগী ফেন্সর এস মেনকাবু পোইন্ট ১৫-৪দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা অঞ্জলীনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা বাই ফংলবা মতুং সেমীফাইনেলদা কে ঐচ এফ এগী ঐচ বলাবু পোইন্ট ১৫-৬তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

সবজুনিয়র বোইজগী ফাইনেলদা কে ঐচ এফ এগী ফেন্সর অনী এস জেমিকান্ত অমসুং ঐচ দেনিএল লম্বা তৌনরগনি। জেমিকান্তনা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা এস দব্লিউ সিগী এন সায়োনবু পোইন্ট ১৫-১৪দা থোইখি। অদুগা দেনিএলনা সেমীফাইনেলদা সে দব্লিউ সিগী এন সাউলিনবু পোইন্ট ১৫-৯দা মায়থীবা পীখি।

# মণিপুরগী নুপীগী বোক্সিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস):
হরয়ানাগী সিটি হিসারদা থা অসিগী ২১দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা এলিট ৱুমেন্স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী নুপীগী বোক্সিং টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা মণিপুরগী টিম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা নুপী বোক্সর ১১ অমসুং ওফিসল ৪গা পুন্না মীওই ১৫ য়াওরি।

বোক্সরশিং অদুদি- ইথাই লাইখোং ময়াই লৈকাইদগী অশালতা হৈনিংশুংবম (কেজি ৪৮), ৱাংখৈ পোরোমপাৎতগী শমজেৎশাবম সরজুবলা (কেজি ৫০), ৱাঙ্গোইদগী থৌনাওজম ওজিবলা (কেজি ৫২), থৌবালদগী বেবিরোজিসনা নাওরেম (কেজি ৫৪), খুরাই অহোংবৈদগী কোন্থৌজম প্রভিস চনু (কেজি ৬০), ময়াং ইম্ফালদগী নিংথৌজম মেনকা (কেজি ৬৩), ৱাঙ্গোইদগী থৌনাওজম এলিনা (কেজি ৬৬), য়ৌরবুংদগী লাইশ্রম নিলম (কেজি ৭০), থৌবাল ৱাংজিং তেন্থাদগী থোকচোম সনামচা চনু (কেজি ৭৫) অমসুং ককচিংদগী মোইরাংথেম লোইদাং (কেজি ৮১মথকনি)।

টিম মেনেজর ওইনা এল প্রেমানন্দ, টিম কোচ ওইনা জে লিসন অমদি কোচ ওইনা এল রাদিয়া অমসুং এস সন্তোসনি। নেসনলগীদা ফজরক্লবদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ শরুক য়াগদৌরিবনি।

# সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ৩শুবা ফেজগী কোচিং কম ট্রায়লগী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস):
চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ১০দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সিনিয়র ৱিমেন নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্নন-বগীদমক অহুমশুবা ফেজগী ওইবা কোচিং কম ট্রায়ল সেলেক্সনগীদমক্তা শান্নরোয় ৩০গী মমিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লাউথোকখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অসিনা থা অসিগী ২১গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ওফিসলশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি। পূন্না শান্নরোয় ৩০গী মমিং লাউথোরকপদা গোলকিপর ৪, দিফেন্দর ৯, মিদফিল্ডর ১৩, অমসুং ফোরৱার্দ শান্নরোয় ৪নি।

গোলকিপরশিং অদুদি ও রোশনি (এম পি এস সী), এন মোনিকা (ঈ এস য়ু), এস ঐচ মোনিকা (এম পি এস সী) অমসুং এম লিম্থোইঙম্বী (ক্রিপসা)নি। দিফেন্দরদা খনগৎলবা শান্নরোয় ৯ অদুদি এ রোমি (এম পি এস সী), পি এস নির্মালা (এ এম এম এ), টি ঐচ দেবজানী (এম পি এস সী), ৱাই পাকপী (ক্রিপসা), এম অচৌবী (ঈ এস য়ু), ঐচ সুনিতা (এম পি এস সী), কে অনিতা (ঈ এস য়ু), এস ঐচ বন্তি (ক্রিপসা) অমসুং টি ঐচ দেবজানি (এম পি এস সী)নি।

মিদফিল্ডরদা এম মন্দাকিনি (ঈ এস য়ু), ৱাই লক্সমী (ৱাই দব্লিয়ু সী), এন নিলম (এম পি এস সী), দব্লিয়ু পুস্পরানী (দব্লিয়ু এফ এ), ক্রিটিনা থৌনাওজম (ৱাই দব্লিয়ু সী), ঈ এস য়ুদগী ৱাই কিরনবালা, টি ঐচ অঞ্জলি অমসুং এন প্রিয়াঙ্কানি। লোয়ননা ক্রিপসাদগী টি ঐচ বেবিসনা, এস রঞ্জনা, দব্লিয়ু লিম্থোইঙম্বী অমসুং এন জি স্বিতিনি। অদুগা এম পি এস সীদগী টি ঐচ কন্যকুমারী য়াওরি। ফোরৱার্দতা ঈ এস য়ুদগী এল প্রমেশ্বরী অমসুং সুল্টানা, লোয়ননা ক্রিপসাদগী এ রোজা অমসুং ৱাইদব্লিয়ু সীদগী রিনারোইনি।

# প্রিয়োবর্তা অমসুং সেমসন হিরো ফুটসালগী ওফিসল ওইনা খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): নবেম্বর ৫দগী ১৫ ফাওবা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো ফুটসাল ক্লব চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা মেটচ ওফিসল ওইনবগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা মণিপুরগী এল প্রিয়োবর্তা অমসুং সেমসনবু খল্লক্লে হায়না অস্ফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিনা নবেম্বর ১দা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রক্লি। লোয়ননা কোভিদ-১৯গী ওইবা ট্রাভেল প্রোটোকোলশিংগী মতাংদা কুপ্পা খঙননবা ওফিসলশিংগা জুম মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# রবিচন্দ্রবু ইন্সট্রক্টর ওইনা খল্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন সেনাপটিনা মাওদা থা অসিগী ২৯দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী রেফরিজ রিফ্রেশর কোর্স অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগীদমক এ আই এফ এফ ইন্সট্রক্টর ওইরবা আই রবিচন্দ্রবু খল্লে হায়না অস্ফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। ইন্সট্রক্টর অসিনা ওক্টোবর ২৮দা দি এস এ সেনাপটিগী জেনরেল সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# দেনমার্ক ওপনদা ইন্দিয়াগী স্রিকান্ত, সমির অমসুং পি ভি সিন্ধু মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

কোপেনহেগেন, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী বেদমিন্টনগী ব্রোঞ্জ ফংবা ঙমখিবী পি ভি সিন্ধু য়াওনা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং সমির বর্মা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা দেনমার্ক ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা টর্কিগী শান্নরোয় নেস্লিহান য়িজিটপু শুপ্নগী মিনট ৩০দা ষ্ট্রেট গেম অনীদা থোইদুনা য়ু এস দোল্লর ৮৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

সিন্ধুনা য়িজিটপু ২১-১২, ২১-১০দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারক্লিবী সিন্ধুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মতুং পাঙথোকখিবা সুদিরমান কপ অমসুং অবর কপ ফাইনেলসতা শরুক য়াখিদবনি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় বুসানন ওংবামরুংফানগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১৪দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্তনা অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাইপ্রনিটকা লম্বা তৌনবা অদুদা শুপ্নগী পুংখায় অমখক্কী মেটচ ওইখিবা অদু মহাক্না পোইন্ট ২১-১৪, ২১-১১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটাগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ২৮দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সমির বর্মানা ৱর্ল্ড নম্বর ২১ থাইলেন্দগী কুনলাবুত বিদিটসার্নবু ২১-১৭, ২১-১৪দা অহানবা রাউন্দ অদু মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ য়ূম্বু লৈবাক দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

# বিষ্ণুপুরগী টিম খন্ননবগী ট্রায়ল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস):
মথং থাগী ২২দগী ৩০ ফাওবা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং টিম শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৩১দা পাঙথোক্লগনি হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বোক্সরশিং খন্ননবা উপোকপীদা লৈবা ইবুধৌ পাখংবা কম্যুনিটি হোলদা অয়ূক পুং ৯ তাবদগী হৌগদৌরি। মণিপুর বোক্সিং এসোসিএসননা এপ্রুভ তৌদুনা পীরবা আই দি ফংলবা বোক্সরশিংনা চহীগী সর্টিফিকেট অমদি কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইবগী সর্টিফিকেট পায়দুনা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা নম্বোল সাবল লৈকাইদা লৈবা পব্লিক হোলদা অরূম্বা ওল্লবা মতুং ট্রায়ল ফী থীদোক্লগা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

# ভি এস এ আইনা ভি এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস):
লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা অহানবা ডা. মোইরাংথেম মনাওতোন অমসুং মোইরাংথেম চন্দ্রশখি দেবী মেমোরিয়ল মাষ্টর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা ভি এস এ আইনা ভি এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। মদুনা মরম ওইদুনা নাকল অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

শান্নবগী অনীশুবা হাফ হৌজিল্লক্লবা মেটচকী ৪৫ শুবা মিনটতা ভি এস এ আইগী মায়কৈদগী এটেক তৌবগী চাং হেনগৎলকখিবগী খূদোংচাবা ফংদুনা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ এম গাইফুলুংনা একাউন্ট হাংদোকখি। পাঞ্জল শোখরবা ভি এফ সী হন্দোক্ল বা শেম শাদ্রিঙৈ গাইফুলুংনা থংনবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চনখি। মেটচকী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা ভি এস এ আইগী জর্সি নম্বর ১৮ আর কে বিক্রমজিৎনা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

# শান্নখোৎনবনা ময়াইকাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তগী নহাশিংবু কনবগী মতেং ওই : য়েংখোম নিলচন্দ্র

ককচিং, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস):
স্পোর্টস অমদি গেম মশান্না কয়া শান্নবনা নহারোলশিং ময়াইকাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তগী কনবদা অচৌবা মতেং অমা ওই হায়না ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা সোসল ৱর্কর য়েংখোম নিলচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ককচিং এ/সিগী মনুং চন্না লৈবা পলেলগী য়ং পিলর ফুটবোল ক্লবনা শিন্দুনা পলেলগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন সেভেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল নুমিৎতা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবদা ফোঙদোকখিবনি।



য়েংখোম নিলচন্দ্রনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টস এন্দ গেমসশিংগী মরক্তা মীয়াম্না খ্বায়দগী হেন্না পাম্নবশিংদা ফুটবোল অসিনি। মণিপুরগী ওইনা য়েংলবসু ফুটবোল মশান্না অসিনা খ্বায়দগী হেন্না চান্নে। মণিপুরগী নহা কয়া অমা ময়াইকাবা চীঞ্জাক্কী ইপাক্তা তাওদুনা লৈবগী পাউ কয়া অমা তারিবনি। ফুটবোলগুম্বা মশান্না অমদা ফজনা শান্নবা মতমদা হকচাং ফবগী চাং য়াম্না হেনগৎলি।

অদুগীসু মথক্তা মশান্না অমা কাংলোন চুম্না শান্নবা মতমদা মীওই অমগী থকসি-খাসি, নোল্লুকপা য়াম্না ৱাংখৎলি। লোয়ননা টিম অমগী মনুংদা অমগা অমগা পাউ ফাওদো-ক্নদুনা শান্নমিন্নবনা নুংশিনবগী চাং হেনগৎলি অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেন্দুনা অমত্তা ওইবগী লিংজেল পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইরিবনি। মরম অদুনা মশান্না অমদা কাংলোন চুম্না ফজনা শান্নবনা মণিপুরগী নহারোলশিং অসি ময়াইকাবা চীঞ্জাক্কী ইপাক্তগী কনবদা অচৌবা পান্থে অমা ওই।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিবু শিল্লিবা ওর্গানাইজেসন অসিবুসু রেজিষ্টর তৌশিন্দুনা অমদি সি এস এ ককচিংদা এফিলিএট তৌদুনা হেন্না মশক থোকপা টুর্নামেন্ট অমা ওইহনসি হায়নসু মহাক্না মখাতানা ফোঙদোকখি। টুর্নামেন্ট অসিবু হেন্না থৱাই হাপ্লিবা ওইনা য়েংখোম নিলচন্দ্রনা সেমীফাইনেল অনীমক্কী অহানবা স্কোররদা লুপা ৫০০/৫০০গী শেলগী ওইবা মনা পীখি অমসুং টুর্নামেন্ট অসিবু শিনলাংলিবা য়ং পিলর ফুটবোল ক্লবতা শেলগী তেংবাঙ অমসু তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ অদু গ্রেট দোমেন রিবোর্ননা নাওরেম লৈকাই এফ সি, টেন্থাবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইখি। অদুগা ২শুবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুদনা এফ সি য়াইসা ককচিং না থৌবালগী ঐচ এস ৱাই দি এ বু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমদুনা ফাইনেলদা হয়েং গ্রেট দোমেন রিবোর্ন অমসুং এফ সি য়াইসা ককচিং লম্বা তৌনরগনি।




# এসিয়ন কপ ক্বালিফিকেসনদা মীৎয়েং থল্লিবা ইন্দিয়াগী টিম কোচ ষ্টিমেকনা মতম শাংদোক্লবা দোমেষ্টিক লীগ টুর্নামেন্ট থম্নবা ফোঙদোরক্লি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী):
হন্দক্তা মালদিভসতা পাঙথোক-খিবা ৮শুবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী টিম অসিনা য়াম্না চাওবা এচিভমেন্ট অমনি হায়না লৌবা য়াদে। এসিয়ন কপ ক্বালিফিকেসনদা মীৎয়েং থল্লিবা হেদ কোচ ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসি হেন্না চাউখৎননবা হোৎনরকপদা দোমেষ্টিক লীগ টুর্নামেন্টশিং অসি মতম হেন্না শাংনা শান্নহনবা তঙাইফদে। লোয়ননা নেসনল টিম অসি শেম শাবগী মতমসু হান্নদগী হেন্না ফংহনবা অমা চঙই হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৯গী মে ১৫দা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুখিবা আইগোর ষ্টিমেকনা হেদ কোচ ওইরবা মতুং মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াগী টিমনা ট্রোফি লৌবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। চহী ১০গী মতুংদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা শান্নখিবা ইন্টরনেসনল মেটচ ৯ থংন-থংননা মায়থীদুনা লাক্লি। মেটচ ৫ মায় পাক্লি, অদুগা মেটচ ৪না দ্রো চৎখিবনি।

ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখিবদা, মীদিয়া অমদি ফুটবোল ভাবোকশিংনা ইন্দিয়াগী টিম অসি অথুবা মতমদা ফিফাগী রেঙ্কিংদা হাইগৎতুনা ৱর্ল্ড কপ ফাওবা য়াওহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরিবনি। অদুবু অফবা মালেমগী থাক্তা শরুক য়াবা ঙম্নবা টিম অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা মতম চঙই।


মহাক্না মখা তাখিবদা, ইন্দিয়াগী টিমগী হেদ কোচ ওইনা হেক থবক তৌরকপদগী টেক্নিকতা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা শান্নরোয়শিং অসি শেমগৎনবা হোৎনখি। লোয়ননা মায়োক্নবা টিমগা লম্বা তৌনবদা বোল পায়বগী চাং হেনগৎনবগী লাল্লোংশিং অদুসু শেন্বা হৌখি।

ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগী টেক্নিকেল কম্মিটি অসি হান্নগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা অয়াম্বনি। মরম অদুনা টিম অসিগী অফবা অমা ওইনবা হোৎনরকপদা কদায় ফাওবা অৱাবা মায়োক্নবগে হায়বদু পূন্না খঙমিন্নরি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা থা ৮ হেন্না ফুটবোল শান্নবা ফংখিদবনি। মসিনা য়াম্না চাওবা অৱাৎপা অমা শান্নরোয়শিংদা পীখি।

চাইনাগুম্বা লৈবাক্না ফুটবোলদা দোল্লর মিলিয়ন কয়া থাদুনা শেমগৎলিবনি। নহা ওইরিবা অঙাং লাখ ১০ রোম্না একাদেমিশিংদা তমদুনা লৈরি। মসিদা লৈরিবা একাদেমিশিং অসিদা মপান লমগী কোচ লিশিং কয়ানা লমজিং-লমতাক্লিবনি। অদুবু মসি ফাওবা ৱাৎলি হায়না চাইনাগী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈরি। ফুটবোল মশান্না অসিদা শেলগী তঙাইফদবা চাওনা লৈবনা স্পোন্সর তৌবীনবা অমদি এক্সপর্টশিং অদু মতীক চাবা ওইবগী মতম অদু লাক্লে হায়খি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 264

**IM Bjerre, Jonas Buhl (2529) - GM Maiwald, Jens-Uwe (2443)**
**Bundesliga 2019-20 Berlin GER, 2021.10.17**

1.e4 g6 2.d4 Bg7 3.Nc3 d6 4.Be3 a6
5.a4 Nf6 6.Nf3 O-O 7.Qd2 Bg4 8.Be2 Bxf3
9.Bxf3 Nc6 10.d5 Ne5 11.Be2 b5 12.f3 b4
13.Nd1 a5 14.c3 c6 15.dxc6 Nxc6 16.Bb5 bxc3
17.Nxc3 Nb4 18.O-O d5 19.exd5 Nfxd5 20.Nxd5 Qxd5
21.Rad1 Qb3 22.Bc5 Bf6 23.Rfe1 Rfc8 24.Bxe7 Bxe7
25.Rxe7 Rc2 26.Qf4 Rf8 27.Red7 Qxb2 28.Bc4 Kh8
29.Rxf7 Rxg2+ 30.Kh1 Rxf7 31.Rd8+...

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 263 Ans. :**

19. ...Qe4 20.Ng5 fxg5 21.fxg5 Bf8 22. Qxh7+ Kxh7 23. Rxf7+ Kg8 24. Rxf8+ Kh7 25.Rh8# Opera mate
25. R1f7#
20. Ng5 Qd3 21.Nxf7 Kxf7 22.Qxh7+ Ke8 23.Qg8+ Bf8 24.Bxf6 Qf5 25.Bg7 Nc6 26.Bxf8 Qxf8 27.Qxg6+ Qf7 28.Qxf7+ Kxf7 29.f5 e5 30.g4 Kf6 31.Rg2 Kg5 32.f6 Rf8 33.f7 Ne7 34.h3 d5 35.Rgf2 Kh4 36.Kg2 d4 37.Rf5 Nxf5 38.Rxf5
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com